# মীয়াম্না লৌবা ৱারেপ্না অচুম্বনি

## (পানগী মৈদি মূখৎপা লায়বনি, নুংগী মৈদি মূখৎপা লুবনি)

**— মুতুম শান্তি —**

ইমা লৈবাক কনসি, মীতৈ ঐখোয়গী থৌনা ময়েং তাদে, ঐখোয় মীতৈ মচানি। ঐখোয়গী করিসু ৱাৎতে, পূম্নমক ঐখোয়গীনি। ইমাগী তম্পাক্তা পোক্লম্বগী মমি ময়েক শেংনা থম্লমসি মচা ওইরিবা ঐখোয় পূম্বনা। নোংমদি শোয়দনা শিরগদবা মীওইপোকনি। ইমা লৈবাক পোক্লফমগীদমক থৱায় কখোকপদি চঙনা শ্বর্গ কারবনি। ঙসি ঐখোয়না হিংলিবসি তুংগী মীরোলগীদমকনি। মশাগী ওইজবা থিবা লাকপা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা ইমা লৈবাক কনগদবা, ঙাক্কদবা নত্তে।

হুইনাও মচা চাওনবা য়োল্লগা লৈতোন লেকই, য়োকপীরিবা মপুদা অমুক ওনশিন্দুনা চিকই হায়বা ৱাফম চপ চানা থোক্লি। মীতোপশিংনা লমদমসিদা লানবুং (চাইনপুং) ওইহল্লি। মীচম মীয়াম পূম্নমক ঙসি ৱারিবসি মফম মরাং খঙদবা মীতোপ কয়াগী চংজফম পীরুবদগীনি। ঐখোয়গী লমদমসি চীংনা ইকোয় কোয়শিন্দুনা ময়ায়দা লৈতেম মান্নবা খরা কুৎথরপ তৌবা মফম্না তম্পাক লম ওইরি। চীং-তম হায়দুনা নুংশিননা মতম শাংনা তিন্নজরকপবু কাং-খোং চাইহল্লিবা, অৱাবা কয়া তাহল্লিবা, মীশি-মীনা, মীকপ-মীরাওখোল কয়ানা মায়কৈ শিনবা থুংনা ‘ঐখোয়গী থৱায়দদি কনবীয়ু’ হায়বা খোল্লাউ কয়ানি।

খঙহৌদনা থোকহল্লিবা থৌদোক অসি কনানা হৌরকপনো? শাউনরিবা, খৎনরিবনা কনা কনানো? অৱাবগী ঈপাক্তা লংথবীরিবনা কনাননো? মরাল লৈজদবা মীচম মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং অসি য়েংদুনা লৈথোকপা য়াব্রা? মীতৈ ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী নুপা হায়বা অহলদগী অঙাং ফাওবা মখূত্তা খূৎলায় পায়দুনা ইমা লৈবাক কন্নবগী মায়কৈ কয়াদা কোয়না ঙাক শেনবীরি। মালেমগী মফম কয়াদা ঐখোয় মীতৈনা মাগী মাগী শিনফমগী মতুং ইন্না মীরমদা মীশিং য়াম্না লৈ। ঐখোয় মীশিং য়াম্লে হায়দুনা মীগী মরমদা মীহাৎ-মীপূন, হিংশাগী থবক চথুবা, হোমলেন্দ পীয়ু হেক্তা হায়বসিবু য়াবরা? মীশি মীনা থোকখ্রবা মতুংদতা লৈঙাক্লা য়েংশিনবগী মওং অসিনি মীয়াম্না খ্বাইদগী পেন্দবা ফোঙদোক্লরিবা।

ঙসি চীংখোঙদা তারম্বা মীতৈ ইচিল ইনাওশিংনা লৈজরম্বা য়ূম কৈ মৈ চাকখ্রবা মতুংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়ূম শাবীরবসু হান্নগুম করম্না লৈমিন্নগনি হায়বসিনি। মীতৈ ঐখোয়দি ইচম চম্না লৈজবা খুন্নাই অমনি। মখোয়দি মবুক মনুংদা মরোল লোনবা মীওইনি হায়বসি হন্দক্কী ঈরাংসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি। মতম খরগী মতুংদা চীংখোঙদা লৈরিবা মীতৈ ঐখোয়না হান্নগুম্না তংদু লৈতানা হিংবদা করম থোক্কনি, তুংগী পুন্সিগী খোঙচৎ অকায়বা ময়াম লাক্কদ্রা হায়বসিনি। হন্দক্কী ঈহৌসি মীতৈ ঐখোয়গী ইনখৎলক্লিবা ইচা, ইশুশিংগী থম্মোয়দা করি মমি তাহৌরমগনি হায়বদু মীপূম খুদিংমক্লা ৱাখল খন্থমিন্নসি।

মমল য়াম্লবা ইচাশিংগী পুন্সিবু মফম মরাং খঙদনা মাঙবা য়াদে। পূম্নমক অসিগী অফত্তগী রেসপোন্সিবিলিটি লৈঙাক্লা পুগদবনি। মীতৈ ঐখোয়গী ঙাঙনরিবা লোলসি লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ অয়াম্বনা খঙই। ঐখোয় মীতৈনদি মখোয়গী লোল খঙবা ঙমদে। অশাওবা, খৎন-চৈনবা কয়া থোকখ্রবা মতুংদদি মীতৈ ঐখোয় পূম্বা চেকশিনবা মথৌ তারি। য়েক্লবা, নুংশিনদবা হায়বসি তুংদা অফবা লম্বীদি লাক্লরোই। লমদমসিদা লৈরিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমদি অকোয়বদা লৈরিবা কৈথেল মচা, অচৌবা খুদিংমক্তা ঐখোয়গী য়েক্লরিবা পূম্নমক কৈথেলদা পোৎ য়োলহন্দবা অমদি মখোয়না য়োল্লিবা পোৎ অমত্তা লৈবীদবা অসিনচিংবা ৱারেপ লৌদুনা লাউথোকপা মতম অমা ওইরব্রা? য়েক্লবনা য়োনবা পোৎ লৈদুনা চাবা হৌনদে। নুংশিনরিঙৈদদি অমত্তনি ঐখোয় পূম্বা।

য়ু এস এনা পুথোকপা পোৎ অমা ফাওবা জপাননা লৈদবগুম ঐখোয়সু মখোয়দগী করিগুম্বা অমত্তা লৈররোইদবনি। লৈমখোং, চীংমাঙ কো-ওপরেটিভ এক্স সর্ভিসমেন কোলোনি, কান্তো সাবল, খুরখুল অসিনচিংবা কৌনু ইমাগী চীংশাং নাপোমদা খুন তাদুনা লৈরি। মীতৈশিংগী য়ূম, ফৌগৈ, চেঙ তকফম মিল য়াওনা মৈ থাদোকপীখ্রে। য়ূম মৈ থাদ্রিঙৈ মাঙওইননা ইমুং খুদিংগী লৈরম্বা পোৎ খুদিংমক হুরানবা লোইরগা অমুক মৈ থাদোকখিবা ঙাক্তনি। মীনুংশি য়াওদ্রবা অসিগুম্বা লিচৎ চৎলবা মীওইশিং অসি করম্না হিংমিন্নগনি। ৱাফমসি অরায়বা, ইচম চম্বা নত্তে। পুৱারীদা য়েক্তুনা লৈহৌরগদবনি।

খৎনবসু মখোয়না হৌই, মৈ থাবসু মখোয়না হৌই। লৈঙাক্কী থৌ পুরিবা ফম্নাইবশিংগা শাউনরগা মীচম মীয়ামদা তাইনবদি করিগীনো? মীচম মীতৈ মরাল লৈজদবা খুন্নাইসি লমদমসিগী মপুনি হায়বসি খক কাউগনু। ঐখোয় মীওইবগী মরকসিদা নুংশিননা হিংমিন্নবা হায়বসিদগী হেনবা করি লৈরিবগে? ঈরাংসিনা চীং মখোঙদা, মমাঙদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং মশা ৱাইশংদবী, অপীকপা অঙাংশিং, অহলগী মতম ওইরক্লবা মশা শোল্লবা কয়ানা অৱাবা নংলিবসি থৱায়দবু হিংলবদি হায়দুনা রিলিফ কেম্পতা অমদি খঙন-চান্নবা মরী মতাগী য়ূমদা চঙজফম লৌদুনা ঙসি ফাওবা হিংলি।

মতৌ অসুম্না কয়াম কুইনা লেনখিগনি হায়না থম্মোয় শোক্লা লৈহৌরি। ইমুং অমখক্কী মীওইশিং মচোই মচোই তান্নদুনা কনানা কদাইদা লৈ হায়বা খঙদবা কয়াসু লৈরি। অসিগুম্বা য়েংহৈদ্রবা মীচম মীয়ামদা তারিবা অৱাবা অসিবু তাইবঙ মপুনা চেকশিন্না থাগোনবীনবা নীজরি। মীচম মীয়াম্না লাউরকপা খোল্লাউদি তাইবঙ শেম্বা মপুগী খোল্লাউনি হায়বসি কাউফদে। মীতৈ খুন্নাইদি পুকচেল চাওবা, মীনুংশি লৈবা, থৌজাল হৈবা, অৱাবা কয়াবু মতেং পাংজবা, মীতৈ ঐখোয়গী ৱাখলসি মীনুংশিনা মাঙ থাবা, খজিকখক্লা পেঞ্জবা খুন্নাইনি, ফুরুপনি।

ঙসি ঐখোয়না থোক্লিবা থৌদোক কয়া অসি কাউরোইসি। ঐখোয়গী পোক্লফম লমদমসিদা মীতোপ্লা ঐখোয়দা হাৎকনি, নয়ূম মৈ থাগনি হায়রগা করিগী চেনগদগে। মীনুংশি য়াওদ্রবা, ঐখোয়না শেল লৌরগা, ঐখোয়বু লৈরগা মীহুৎ খনখিবা এম এল এশিং মীয়াম্না মশক খঙদোকপীয়ু। মখোয়না ৱারবা মীয়াম্বু করি ওইনা খল্লি হায়বসি হৌজিক থোক্লিবা থৌদোকসিনা ময়েক শেংনা খঙলে। মীয়াম ঐখোয়না মূন্না খন্থবীদুনা ঙসিগী এম এল এশিংবু অমুক হন্না মীহুৎ ওইহল্লবদি ঐখোয় লমদমসিগী মপু ওইবদা ৱাখল খন্থদবা মীওই হায়বদু ওইরগনি। মীতোপ্লা চৎলু, ফম্মু, চেল্লু হায়রগা ঐখোয়না তৌগদ্রা? ইম্ফালদা লৈবা মীনা চীংয়াদা লৈবগী অৱাবসি খঙবীয়ু।

হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক্লা কয়াম য়াম্না মীচম মীয়াম্বু থৌওইদবা, নুংশিদবা, শিগে-শিজসনু খনবসি, জুন ১গী নুমিদাং পুং ৭.৩০গী এ আই আরগী পাউদা শুগনুদা মী অশিবা লৌথোকপা ঙমদ্রে হায়খি। মীতোপ মীয়ানচাগী মখাদা লৈঙাকপা ফম্নাইবা নখোয়বু হিংলিব্রা? নখোয়না ঙমদ্রগদি মীয়াম্না লৌথোকপা তাবনি। মীচম মীয়ামদি ইমা লৈবাক্কী থৱায় কখোকপা ঙম্মী। ফম্নাইবা কনানা ঙসি ফাওবদা মীয়ামগীমক্তা ঐ থৱায় কখোক্কে হায়না চোঙথোরকখ্রবগে? থোঙ লোন্দুনা সিফাই ঙাক্তুনা ইমুংদা লৈখিবা ঙাক্তনি। মীয়াম্না ময়ূমদা চঙলক্লিবা করিগীনো। মথন্তা ৱাহং হংবা ঙমদে। ইকায়বসু খঙদে। মখূৎ অনী লোন্নদুনা মশা লৈথোক্লবা হোৎনরি। মচিন্দদি হায়রি, এম এল এ ফম থাদোক্তুনা মীয়ামগী মাঙ থাগনি। থারিবরা হৌজিকপু, মচিন থীবা অসিগুম্বা মীওইশিং অমুক হন্না মীহুৎ খল্লবদি ঐখোয় পোক্লফম ইমাগী অশেংবা মচা নত্তে।

ৱা ঙাঙদনা অফবা থবক, কখোকপগী থৌনা উৎপা ঙম্বা মীহুৎ ওইবীয়ু। মীয়াম্বু করিসু লৈতে খল্লবসু ইমা লৈবাক্তি নুংশিফম থোক্ত্রা? পোক্লফম ইমাগীদমক কখোকপা ঙমদবা অমত্তনা মীহুৎ ওইগে থোকপীরক্কনু। শেল য়েল্লগা কারকপা মীহুৎ মশাগী ওইজবা থিবা লাকপনি হায়বসি ঐখোয় পূম্বনা কাউগুমসি। ঙসি লমদমসিদা মীতোপ্লা পীক থল্লিবসি মগুন য়াওদ্রবা, মতিক চাদ্রবা কয়া ঐখোয়না মীখলদা মায় পাকহনখিবনা ঙসিদি অশোয়বা ওইরক্লি।

শেমদোকসি থেংলবসু থেংনা, ভোৎকী মতম য়ৌরকপদা মফম মরাং খঙদনা য়ৌ-য়ৌ লাংদুনা শেল য়াম্না পীবা মীদা, মমল য়াম্লবা ঐখোয়গী হক খক শিন্নগুমসি। ঙসি লমদমসিদা মীশি মীনা থোক্তুনা মীকপ মীরাওখোলতনা নিল্লিবা, য়ূম কয়া তাঙ্গোয় ওন্দুনা অৱাবা তারিবা ঐখোয়না মীখলদা মীহুৎ খনবদা অসুক্কী মতিক শোয়খিবদগী থোরকখিবনি হায়বসি হন্দক থোক্লিবা থৌদোকসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি। থা অমা ফাজিল্লক্লবা য়ূম লৈজদ্রবা, পুন্সি পিখম্নখ্রবা, অৱাবা তারবা কয়াবু অইবীনা খুরুমজরি অমদি তাইবঙ মপুদা নীজরি।

ঐখোয় কনাগী মখাদা হিংগদবা নত্তে। মীখা পোন্না হিংবা তোক্লসি, থবক কন্না শুরসি। মীদিয়াদা ঙাইহাক লৈতনা খূৎলায় অফবা পায় হায়না লাউথোকপনা মীয়াম্না মীপাইবা হেনগনি। মীতৈ ঐখোয়বু নমথাক তৌবীদুনা, কিহনবা, কোইচেন চেলহনবা অফবা নত্তে। মীতোপ্লা ঐখোয়বু কিহনবা য়াব্রা? ঐখোয়সু মখোয়গী খূৎলায়দগী হেন্না ফবা লৈ হায়না খোল্লাউ লাউগদবনি। মীতোপ্লা ঐখোয়গী ইথক্তা অমুক হন্না অসিগুম্বা থৌদোক থোক্তনবা মীয়াম পূনশিন্দুনা অপূনবগী শক্তম অমা শেম্লসি হায়জবগা লোয়ননা অইবীনা কোক নোঞ্জরি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## শাগৈগীনা মৈতাল অরাবা, লৈকায়গীনা মনি মতুম, অৱাং নোংপোক্কীনা অরংবা থৱান্মীচাকপু থাগৎচরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মোইরাংকম্পু শাজেব অপ্পর প্রাইমারি স্কুল অৱাৎপা কয়ানা থল্লি। মসিদা লৈরিবসি শঙ অমখক্তদা এদেদ প্রাইমারি স্কুল অমসুং গভর্ণমেন্টকী য়ু পি এস অনী পুল্লগা লৈবনি। য়ু পি এস অসিনা অয়ূক্তা ক্লাস তৌরিঙৈ মতমদা স্কুল শঙগী অৱাৎপা লৈরমদে হায়বা য়াই। অদুবু গভর্ণমেন্টকী পোলিসিনি হায়দুনা অয়ূক ক্লাস তৌরম্বা অদুসু নুংথিলদা তৌগদবনি হায়দুনা পুনশিল্লকপদগীদি ক্লাস রুমগী অৱাৎপা অসুক্কী মতিক লৈরক্লি। স্কুলগী ইন্সপেক্সন লাকপীবা এ আইশিং, দি আইশিং অমদি জেদ ঈ ওদা হায়জরুবদসু মসিগী কান্নবা করিসু লৈতে। মখোয়গী পাউখুমদি মথক থোংবা দাইরেক্টরদা ইখৎখিগে হায়বসি খক্তনি। ৱারেংজরিবা ঐহাক ইশানা শেল পুথোকচরগা ক্লাস রুম অনীমক পার্টিসন খাদুনা ক্লাস রুম মরি থোক্লা শেমজখি। অদুবু ক্লাস রুমগী অৱাৎপদি কোকপা লৈতে। হেদ মাষ্টর অমদি ওজাশিং খন্নবা য়াবা খন্নজরগা খুরাই এ সীগী এম এল এ সুসিন্দ্রোদা চৎলুরসি হায়দুনা লেপ্পরম্মী।

নুমিৎ অদু ফেব্রুৱারী থাগী অহানবা চয়োলনি, অহানবা পেরিওদ লোইশিল্লম্লগা হেদ মাষ্টর য়াওনা ওজা মরি এম এল এগী য়ূমদা চৎলি। নুমিৎ অদুদা থেংনরকপা অঙকপা হায়রগদি মণিপুরদা লৈরিবা এম এল এ খুদিংমক্কী য়ূমদি গেট পানশিল্লগা ঙাক্লিবা গার্দশিং অদুনা চংবা য়ানি য়ারোই, মশা লৈ নৎত্রগা লৈতে অমদি ইন এন্দ আউট থাদুনা য়াম্না খোইদৌ শাওগৎপা হায়বদু ওই। অদুবু খুরাইগী এম এল এ সুসিন্দ্রোগীদি গেট পান্দবা মাল্লি, গার্দশিংদি অদুম্মক লৈরম্মী। মহাক্কী থোঙ্গালদগী অদুমক গার্দশিং অদুনা চঙবীরকউ-চঙবীরকউ হায়না তরাম তরাম কৌশিন্দুনা মহাক্কী ৱেট্টিং রুম তান্না পুশিনবীখি। লাইবক থীবা হায়জবা তারে। এম এল এ মশাদি দেল্লীদা চৎখি হায়দুনা উন্নবা ফংখিদরে। অমরোমদসু লাইবক ফবা হায়জবা তারে, খুরাই বি জে পি য়ুনিটকী সেক্রেটরি তামো সক্রু অমদি এম এল এগী অপোকপা তামো ইতোচা অনী থোকপীরক্তুনা ঐখোয়বু তরাম তরাম ওকপীবগা লোয়ননা চা থকমিন্নদুনা স্কুলগী অৱাৎ অপাগী মরমদা ৱারী শামিন্নে। ৱারী শানা শানা তামো সক্রুনা গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্টদা কোয়চেন চেঞ্জদুনা খুরাই এ সীগীদমক অমদি লাইশ্রম লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়টকীদমক তৌজ খিবা থবকশিংগী মতাংদসু ৱারী শাবীরকই। ৱারী শাবা লোইশিল্লক্তুনা ঐখোয় নখোয়গী স্কুল অদুদা অথুবা মতমদা লাকচগে অদুগা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংজগে হায়বীরকখি। ঐখোয়সু ঙসিগীদি হঞ্জরগে হায়দুনা থোরকখি।

নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা তামো সক্রুনা লুচিংবা টিম অমা ঐখোয়গী স্কুলদা লাকপীখি। মদুদা ওজাশিংগা লোয়ননা অনৌবা স্কুল শঙ শাবীয়ু হায়জবা নত্তে, রিপ্যারিং তৌরগা শীজিন্নবা য়াগদবা কা অনীখক্তং রিপ্যারিং তৌবীয়ু হায়জখি। দেস্ক অমসুং বেঞ্চ জুরা তরুক্তংগা লোয়ননা হ্বাইট বোর্দ অনীদংগা পীবিয়ু হায়জখি। নুপাগী ওইবা টোইলেট অমত্তংগা শাবীয়ু হায়জখি মদুদা তামো সক্রুনা এম এল এগা তান্নজরগা অথুবা মতমদা তৌনবা তৌজগে হায়বীরম্মী।

ঐহাকসু খুদোংচাবা লৌগনবা হায়বদু তারে, তামো সক্রুনে অমদি বি জে পিগী ৱার্কর ময়াম অমা লাক্লিঙৈ মতম অদুদা অৱাং কোংপালগী থোং অসি হোত্রোং হোত্রোং হোদুনা লৈরক্লিবসি মতম কুইরে। মমাঙদসু কয়ারক হন্না নেটাজি মেমোরিএল ক্লবনা শেমজিনখ্রবনি অদুবু অরিবা ওইবনিনা হেক্তা য়ারক্তে। মরম অসিনা এম এল এনা মিনিষ্টর ওইরিঙৈসিদা রিপ্যারিং তৌগেরা নৎত্রগা অনৌবা অচৌবা অমা শাগেরা তৌবীরম্মু নৎত্রবদি মীশি মীনা থোকপা তারে, এক্সিদেন্টসু তোইনা থোক্লে হায়জখি। ঐহাক্কী ৱারীদু তারগা তামোনা এম এল এগা ৱার্কর ময়ামগসু মসিগী মতাংদা তোইনা তান্নজরবনি, দিপার্টমেন্টতা রিপ্যারিং তৌবীয়ু হায়দুনা ঐহাক ইশামকসু য়াওরগা তোয়না তক্লজরিবনি। অথুবা মতমদা রিপ্যারিং তৌরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে। এম এল এনসু অচৌবা অমা শারগনি হায়দুনা কন্না হোৎনরিবনি হায়বীরম্মী। চিনগা খূৎকা মান্নবা হায়জবা তারে, হৌজিক্তি অৱাং কোংপালগী থোং নিংথিনা শেমজিন্দুনা হান্নগুম্না চৎপা য়ারে। মসিগীদমক চেনবী চোংবীখিবা পূম্নমকপু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

অরোইবদা হায়জনীংবদি ভোট অমা কাবা হায়বসি কেন্দিদেটতু খক্তং ফরগা শেল পায়রগা য়াবা নত্তে। অফবা ৱার্করশিংগী মতেং য়াম্না মরু ওই। মরম অসিনা খুরাই এ সীগী তামো সক্রুগুম্বা লৈবাক্কী খনবা মীওই কয়া অমা লৈরমখিগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মরম কয়া অসি নৈনজরগা তামো অসি শাগৈগীনা মৈতাল অরাবা, লৈকায়গীনা মনি মতুম অমদি অৱাং নোংপোক্কীনা অরংবা থৱান্মীচাকনি হায়বদা হায়মনবা থোকত্রবরা খঙে।

**অদোমগী - রোমিও য়ূম্নাম**
টোপ অৱাং লৈকায়, ইরিল মপাল টিনসিদ রোদ

## লো চৎনরবসু শিখ্রবা থৱায়বু লোনা হিংগৎহনবা ঙমখিগদ্রা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ঙল্লিঙৈ মতমগী ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা মৈতৈ লৈবাক অসিবু নারোন্দা চঙলকপা মীওইশিংনা মপু শাদুনা খুন্নাই অসিগী চমজরবা মীয়ামদা ঙম্মী হায়বগী মতাগুম অউ-অউবা নোংমৈনা কাপ কাপ্তুনা হাৎতোকপীবা, ঐখোয়গী ষ্টেট ফোর্সশিংদসু নোংমৈনা কাপ কাপ্তুনা অকনবা শারিবা কুকি মিলিটেন্টশিংসিবু প্রজা অমা ওইনা য়েংদুনা অসুম লৈখিগদ্রা? ইমা লৈবাক্লা মৈ হৌদুনা চাক্লফাওবা অশীংবা শাদুনা লৈখিগদ্রা? থৌনা ফরবা ইপা-ইপুশিংগী মচা-মশুশিংনি, ঐখোয়দসু ঈ মরীক খরদসু চেল্লিবনি হায়বসি মতম পূম্বদসু কাউরোইদবনি। পুৱারীবু নুংশিদ্রবদি ইমা লৈবাক নুংশিবা মশক খঙলরোই। ঐখোয়গীদমক ষ্টেট ফোর্সকী ইচিল ইনাওশিংনা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখিবা পূম্নমকপু ইকায় খুম্নজবগা লোয়ননা সলাম কৎচরি। ঐবুসু ষ্টেট ফোর্সকী মতেং পাংবা থাবীয়ু, ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাবা ঙমগনি। মীওইবা ঐখোয়না লৈত্রবদা অচুম্বা লোনা করিবু কান্নগনি। লো চৎনরবসু শিখ্রবা থৱায়বু লোনা হিংগৎহনবা ঙমখিগদ্রা?

**অদোমগী - নিংথৌজম সনাহল মঙাং,** হৈঙাং ময়ায় লৈকায়

**ষ্টেটকী পাউ**

## কাশ্মিরদা চথখিবা প্রোক্সি ৱারগী মওংদা মণিপুরদসু কুকিশিংনা চথনবা হোৎনরম্বনি: সিঐচ বিজয়

**ইম্ফাল, জুন ২ (ঐচ এন এস):** মণিপুরদা থোক্লিবা কাঙলূপকী ইরাং অসি সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিগা মরী লৈনৈ হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সহানা ফোঙদোক্লম্বা অদু অরানবনি। মরমদি এস টি দিমান্দগী মতাংদা ওইরগদি মণিপুরদা লৈরিবা নন কুকি ট্রাইবেল পুম্বা য়াওদবা করিগীনো হায়না সোসিও পোলিটিকেল কম্মেন্টেটর সিঐচ বিজয়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা মহাক্কী ক্বার্টরদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা বিজয়না মখা তানা হায়, ইরাং অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা নন কুকি ট্রাইবেল য়াওদে। মণিপুরদা কুকিগী মশিংগা নন কুকিগী মশিংগা কনানা য়াম্বগে হায়বা অদু খঙলগা ৱা ঙাঙফম থোকই। এস টিগী দিমান্দ অসি কোর্টনা তারকপা রায় অসিনা পায়রকপনি হায়রগদি হোম মিনিষ্টরগী ৱাফম অদু লানগনি। মসিদি হান্না ম্যান্মারদগী চঙলকপা ইম্মিগ্রেন্টশিংগী অরোনবা এজেন্দাদা মণিপুর অসি কঙ্কর তৌগে তৌরম্বনি। কাশ্মিরদা পব্লিকশিংনা মখোয়গী ওন লেন্দদা রিফ্যুজি তারকপা পোপুলেসনদা ইম্বেলেন্স থম্লগা প্রোক্সি ৱার অমা থম্লগা রিফ্যুজি তাহল্লগা মদুগী মোদেল তৌগে হোৎনরম্বদগী শোয়বনি। মণিপুরগী মসিগী মতাংদা মণিপুরগী শক্লাইরবা রিটয়ার্দ জেনরেল রিসিকান্তনা মহাক্কী ত্বিটরদা থাগৎলকপনা য়াম্না ময়েক শেংনা পল্লি। বোর্দর ৱাংমা লান্না লোঙ্গি শেৎপা খূৎলায় ফজনা পায়বা টেররিষ্ট ৩০০ লোম মণিপুরদা চঙলক্লগা হান্না মফম অসিদা লৈবা খূৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিংগা খুৎশম্নরগা শুগনু অমদি সেরৌদা শা লান অসি শারকপনি।



মহাক্লা মখা তানা হায়, মমাঙদা জেনরেল ইলেক্সন মতমদা হোম মিনিষ্টর অমিট সহা লাক্লগা সূগী কাদরশিংদা চিল্লবা মতমদা লুপা ক্রোর ২০ পীরম্বা অদু ঐখোয়না নীংশিংই। মণিপুরগী হৌজিক লুরবা ফিভম অসিদা মহাক্লা চুড়াচান্দপু টু ইম্ফাল টেক্সি সর্ভিস লৈহনগনি অমদি মোরে ইম্ফাল সর্ভিস লৈহনগনি হায়বা অরাইবা নত্তে।

হায়রিবা ফিভম অসি ঙল্লরোই খনবদগী মহাক্লা মোরে-আইজেল অমদি গুৱাহাটি ফাওরগা হেলিকোপ্টর সর্ভিস অমা লৈহনগনি হায়বসিনা মণিপুরদা অচৌবা লৈত্রক অমা চৎহনবনি হায়না লৌই। মণিপুরগী কেপিটেল ইম্ফাল ফাওরগা চৎকদবদা মহাক্লা মতৎ মতৎ অতোপ্পা ষ্টেট ফাওরগা চৎপা অসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে হায়না চার্জ তৌরি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৭**

১) **‘‘নুমিত্তি অসুম থেঙজীল্লক্লি’’** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং অইবা কনানো?

২) **‘‘নয়নী’’** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) মণিপুরীদা **‘‘বঙ্কিমচন্দ্র চেট্রজী’’** হায়বা লাইরিক অসি কনানা হন্দোকপনো? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো?

৪) **‘‘মণিপুরী জগোয়-ঈশৈ ৱারেং শৈয়োম’’** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৫) **‘‘করিগীনো নোংমৈবু পাম্লিবা নখোয়না/নোংমৈতবু কাপ্পীংলিবা/নোংমৈদা করি য়াওবগে পামজবা মহাও?’’** শৈরেং মতেক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল *hueiyenliteraryquiz@gmail.com* সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

MANIPUR INSTITUTE OF TECHNOLOGY

মণিপুর ইংস্টিট্যূট অঁফ় টেক্নোলঁজী

*(A Constituent College of Manipur University)*

TAKYELPAT, IMPHAL – 795 004 : MANIPUR

**ADMISSION NOTICE**

Imphal, the 2nd June 2023

No.3/1/2023-MIT:5908 Online Applications are invited for admission to the following courses for the Academic Session **2023-24** at **Manipur Institute of Technology** (An AICTE approved Institute), Manipur University.

| Programmes | Eligibility |
|---|---|
| **B.E. 1st Year**<br>(i) Civil Engineering **(CE)**<br>(ii) Computer Science & Engg. **(CSE)**<br>(iii) Electronics & Communication Engg. **(ECE)**<br>(iv) Electrical Engineering **(EE)**<br>(v) Mechanical Engineering **(ME)** | a. Passed 10+2 examination with Physics, Chemistry & Mathematics for **CE and ME Courses**<br>b. Passed 10+2 examination with Physics, Mathematics and one of the following subjects (Chemistry/Computer Science/Electronics/ Information Technology/ Biology/Informatics Practices/Biotechnology/ Technical Vocational subject/ Agriculture /Engineering Graphics/ Business Studies/Entrepreneurship) for **CSE, ECE and EE Courses**<br>c. Obtained at least 45% marks (40% marks in case of candidates belonging to reserved category) in the above subjects taken together.<br>*d. Preference shall be given to **JEE(Main) 2023** positive score candidates.* |
| **B.E. (Lateral Entry to 2nd Year)**<br>(i) Civil Engineering<br>(ii) Computer Science & Engineering<br>(iii) Electronics & Communication Engg.<br>(iv) Electrical Engineering<br>(v) Mechanical Engineering | a. Passed Minimum THREE years / TWO years (Lateral Entry) Diploma examination with at least 45% marks (40% marks in case of candidates belonging to reserved category) in **appropriate** branch of Engineering. **OR**<br>b. Passed B.Sc. Degree from a recognized University as defined by UGC, with at least 45% marks (40% marks in case of candidates belonging to reserved category) and passed 10+2 examination with **Mathematics** as a subject. |
| **M. Tech. :**<br>(i) Civil Engineering<br>(ii) Computer Sc. & Engg.<br>(iii) Electronics & Communication Engg. | a. Passed Bachelor Degree in appropriate branch of engineering with a minimum CGPA of 6.5 or 60% of marks or First Class.<br>b. Preference will be given to those candidates having valid **GATE Score.** |

**How to apply:-**

- **Online Application** and **E-Information Brochure** will be made available at **www.manipuruniv.ac.in.**
- **Online Application** may be submitted only at **www.manipuruniv.ac.in** with an application fee of Rs.300/- for UR/OBC/EWS candidates and Rs.200/- for SC/ST candidates to be paid online.
- Before filling up of online Application form, applicants should read the **Information Brochure** and instructions carefully and follow it strictly.

**Important Dates:-**

| | |
|---|---|
| **Start of Online Application (All programmes)** | **12th June 2023** |
| **Last date of Online Application (All programmes)** | **11th July 2023** |
| **Publication of List of Provisionally recommended candidates for B.E. (JEE) and M.Tech. (GATE)** | **12th July 2023** |
| **Admission Tests for B.E.(Non-JEE), M.Tech.(Non-GATE) and Lateral Entry to 3rd Sem. B.E.** | **18th July 2023** |
| **Publication of List of Provisionally recommended candidates for B.E. (Non-JEE) and M.Tech. (Non-GATE) and Lateral Entry to 3rd Sem. B.E. Courses.** | **18th July 2023** |

**Note: Facility for online submission of application form is available at MIT Takyelpat Campus.**

Sd/- Prof. N. Basanta Singh
Principal

HL-B/8162/3,4,5

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।